ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
[illegible]
[illegible]
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ১৮, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৮৭শুবা মশীং

# পোপি পাম্বী থাবশিং

## মনম তৎনবা য়ৈয়ু

মণিপুর লৈঙাক্না 'ৱার ওন দ্রগস' কী কেম্প্যেন চত্থরক্লিবসি কুমজা ২০১৮দগীনি। হায়বদি বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক মার্চ ১৫, ২০১৭তা লিংলকখিবদগী পন্থদনা চঙশিল্লকখ্রবনি। কেম্প্যেনসি চঙশিল্লক্লে হায়দুনা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মায়োক্তা অনৌবা এক্ট অমসুং রুল শেম্ববুদি নত্তে। শেমদ্রবসু হান্নদগী নাকোর্টিক দ্রগস অমসুং সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট, ১৯৮৫ লৈজরক্লি। এক্ট অসিগী প্রোভিজনশিং চৎনহন্দুনা লাক্লি। অদুবু থৌওইনা 'ৱার ওন দ্রগস' হায়দুনা মমিং থোল্লগা চঙশিল্লক্লিবসি এক্ট অসিগী প্রোভিজনশিং হেন্না ইফেক্টিভ ওইনা এনফোর্স তৌনবনি। লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংবু হেন্না থৱায় য়াওহল্লকপনি। অদুগা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ৱায়েল চত্থনবা লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুর লৈবগী মথক্তা অসিগুম্বা কেসশিং অসিবু হেন্দল তৌবগী থবকসু দিষ্ট্রিক্টশিংগী সেসন্স জজশিংদসু পাঙথোকহল্লকই। পূন্নমকসিগী মথক্তা উরিপোককী চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতসু এন দি এন্দ পি এস এক্টখক্তগী ওইবা ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অমা ফাওবা লিংখৎলক্তুনা মথৌ পাঙথোকহল্লক্লি। লৌখৎলক্লিবা থৌরাং পূন্নমক পীকখ্রবা মণিপুরদা ওইরক্লিবা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী ফিভমশিংদগী তঙাইফদনা তৌদবা য়ারক্তবা, লৌখৎলক্তবা য়ারক্তবা 'নীদ ওফ দি অৱর' ওইরকপদগী তৌরক্লিবনি অমসুং লৌখৎলক্লিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শোয়দুনা তৌরকপা নত্তে। মরম ময়ামসিনা তৌদবা য়ারক্তবদগী তৌরক্লিবনি। মসিমক্না এন বিরেননা অমুক্কসু চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা বি জে পিনা লুচিংবা অনীশুবা লৈঙাক লিংলক্লবা ফাওবদা লেপ্তুনা মখা শমথরক্লিবনি। লোয়নননা অচেৎপা পান্দম অমসুং ৱিল অমগা লোয়নননা চঙশিল্লকপনা মীয়াম্নসু ইল্লিগেল দ্রগশিং হায়বসিনা করিনো, মসিগী মাঙজবশিংনা করিনো, করিগীদমক কেম্প্যেন অসি চঙশিল্লক্লিবনো হায়বসি হান্নদগী হেন্না ময়েক শেংনা খঙহল্লক্লে। কেম্প্যেনসিদা ফুরুপ-কাঙলূপ অমসুং লাইনীংগী খেন্নবা থমদনা চীং অমসুং তমগী মীয়াম হুপ্না শৌগৎনরক্লে, মতেং পাংশিল্লক্লে। হৌজিক্তি কেম্প্যেন অসি মায় পাকপরোমদা চঙশিল্লক্লে হায়বা ফাওবা য়ারক্লে।

অদুবু কেম্প্যেনসিনা ফীভমসি য়ৌনা পুশিল্লক্লবা ফাওবদা মসিগী মনুংদা মরু ওইবা শরুক অমা ওইরিবা পোপি পাম্বীশিং থাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থনরক্লিবা অসিদি চুম্না অমসুং নীংথি-নুংঙাইনা ফজনা হায়নীংদ্রে। চঙশিল্লক্লিবা কেম্প্যেন অসিগী য়ূম্ফম ওইরিবা এন দি এন্দ পি এস এক্ট ফাওবা এমেন্দমেন্ট তৌদুনা পোপি পাম্বী থাহল্লম্বা, হকথেংননা থারম্বা মীওইশিং অমসুং থবকসিদা চেন্নরম্বা মীওই পূন্নমক এন্টি পীপল, এন্টি নেসনল ওইরবা মীওইশিংনি হায়দুনা ফাওবা ফোংনা লাউথোকপগী তঙাইফদবা লৈরক্লব্রা হায়বগী ৱাফম চোঙথোরক্লে। ৱাফমসি লাউথোরক্লগদি এক্টসিসু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা চৈরাক্তসু হেন্না হকচিন্না পীবা ঙম্লক্কদৌরিবনি। মরমদি পোপি পাম্বী থাবনা মাঙহল্লিবসি মসিদগী ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং শুংলগা পুথোরকপা খক্তা নত্তে। পাম্বীসি থাবা য়ানবগীদমক চীংগী চীংমাইশিং পাক্তক্লনা মরূ কোকথোরকপা, মসিগী মথক্তা চীংমাইশিংদা নাপী হাৎনবা কেমিকেলশিং শীজিন্নরকপা, পোপি পাম্বীশিং ফজনা হৌনবা ফর্টিলাইজরশিংসু শীজিন্নরকপনা দিফোরেষ্টেসন খক্তা নত্তনা চীংগী চীংমাইশিংগী লৈবাক লৈহাওদা অচৌবা অমাঙবা অহোংবশিং থোকহল্লকই। ইশম-শম্বদা চীংদা পোপি পাম্বী থাবনা পীরক্লিবা চৈফুসি অচৌবা অনীনি। মরম অসিনা পোপি পাম্বী থাবদা চেন্নবা মীওই পূন্নমক কনানো হায়বা মন্থিনদনা মনম তৎনবা য়ৈয়ু। লোগী ওইবা চৈরাক পীবগী থবক্তসু চুম্নতগী এন দি এন্দ পি এস এক্টকী প্রোভিজনশিংগী মখাদা চার্জ ফ্রেম তৌবা, প্রিভেন্সন ওফ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিং (পি আই টি) গী মখাদা দিটেন তৌবা খক নত্তনা খংপ্রেক খংহনগদবা, মতুংদা হন্না তৌরক্তনবা অকনবা চৈরাক খরা পীবা চুম্লগনি। ফত্তবা থবকনি তৌগনু হায়রে। ফারে, পুল্লে, জেলদা থম্লে। অদুবু মসি ফাওবদা কান্নফম খঙহল্লক্তবগী ফীভমদা লাকহল্লগদি মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়দুনা লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা? মস্বাইদা কৈদৌবা য়াবগে হায়বদু পুথোরকউ। কেমিকেল চাইথদুনা হাৎনবা থবক লৌখৎলক্লিবা অসিসু ফৈ। পোপি থাফমশিং খঙদোক্লবা 'অন-মেন এরিএল ভেহিকল' (য়ু এ ভি) শীজিন্ননবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্লিবসিসু ফৈ। অদুবু পোপি পাম্বী অমত্তা থাহন্দবনা ইল্লিগেল দ্রগশিংদগীসু কনগনি, মহৌশাগী খলসু কাইহল্লক্লোইদৌরিবনি। মরমসিনা মনম তৎনবসু য়ৈয়ু, অহকপা চৈরাকসু পীয়ু।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮**

১) **"অথুইলুগী মঙলান"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"মসিনা ঐগী সাক্ষীনি"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) **"জয় জয়ন্তী"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) **"মিংশেলদা লৈচিল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"অঙাংগী লীলা মচা খরা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কুমজা ২০২২দা পুথোরকখিবশিংদগী খ্বাইদগী শীংথানীংঙাই ওইবা খরা # ৩

## পা মরূ অমসুং পি মরূ য়াওদনা শেমগৎলকপা, থোপ অমসুং খপ্লিবা থম্মোয় পাল্লবা খূৎশেমগী মাউস এমব্রিও

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**


কিদনিগুম্বা কয়াৎশিংনা মথৌ তৌবা ঙম্লক্ত্রবা মতমদা অতোপ্পা মী অমদগী কিদনি অমা লৌরগা হাপচিনবা হায়বদি ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌবা হায়বসি ঙসিগী মেদিকেল সাইন্সনা ঙম্লে। অদুবু লুরিবদি কিদনি দোনর ফংদবা হায়বসি অচৌবা সমস্যা অমা ওইরি। 'য়ুনাইটেদ নেটৱর্ক ফোর ওর্গান স্যেরিং' গী দেটাবেজগী মতুংইন্না কুমজা ২০২১দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট ৪১,৩৫৪ তৌখি। অদুবু অনাবা ১,১৬,৫৬৬না ৱেটিং লিষ্টতা লৈখি; মখোয়গী মনুংদগী ৬,৫৬৪দি ওর্গান ঙাইনা ঙাইনা পুন্সি লোমখি। অতোপ্পা হেক হেক থেংনবা খুদোংথীবা অমনা দোনরদগী ওর্গানদু রিসিপিএন্ট অমদা ট্রান্সপ্লান্ট তৌরবা মতুংদা রিসিপিএন্ট অদুগী ইম্ম্যুন সিষ্টমনা মতম চূপ্পগী ওইনা ওর্গান অদুবু 'রিজেক্ট' তৌরকপা অসিনি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসিদগী কোকহন্নবগী পাম্বৈদি ইৰৈমক লৈব্রা?

নেপোলিয়ন বোনাপার্টকী 'ইম্পোসিবল ইজ এ ৱর্দ টু বি ফাউন্দ ওনলি ইন দ দিক্সনরি ওফ ফুলস' হায়বদু নীংশিংলগা পাম্বৈ শোয়দনা লৈগনি হায়বা তাই। ওইথোকপা য়াবা পাম্বৈশিং থিজিনবগী লম্‌দা কত্থোক্লবা সাইন্টিষ্টশিংনা থিরি। মদুগী মহয় অমা ওইনা কালিফোর্নিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্লোলোজি (কালটেক) অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ কেমব্রিজ গী থিজিল্লোইশিংনা ওইথোকপা য়াবা পাম্বৈ অমা পুথোকপা ঙমখ্রে। থিজিল্লোইশিং অসিনা উচিগী ষ্টেম সেলশিংদগী খূৎশেমগী পাম্বৈনা এমব্রিওশিং শেমগৎপা ঙমখ্রে, হায়রিবা এমব্রিওশিং অসিদা খপ্লিবা থম্মোয় অমসুং থোপ অমদি অতৈ কয়াৎশিংবু শেমগৎলক্লবগী মচাকশিংসু ফংবা ঙমখ্রে। মসিগী পাউদম অসি হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ২৫দা 'নেচর' চেফোংদা ফোঙদোরকখিবনি।



নুমিৎ ৮নি খক্তা ঙাইরিবা থোপ অমসুং থম্মোয় শেমগৎলকপগী শক্তম উরিবা খূৎশেমগী মাউস এমব্রিও

থিজিনবগী থবক অসি কালটেককী ব্রেন প্রোফেসর ওফ বাইওলোজি এন্দ বাইওলোজিকল এঞ্জিনিয়রিং, Magdalena Zernicka-Goetz কী লেবতা পাঙথোকখিবনি। মহাকসি কেমব্রিজগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিসিওলোজি, দিভেলপমেন্ট এন্দ ন্যুরোসাইন্সকী মমলিয়ন দিভেলপমেন্ট এন্দ ষ্টেম সেল বাইওলোজিগী প্রোফেসরসু ওইরিবনি। এমব্রিও মোদেল অসি পি মরূ অমসুং পা মরূ য়াওদনা শেমগৎলকখিবনি। থিজিন লূপ অসিনা মহৌশা জীব অমগী হকচাংদা থোক্লিবা থৌওংশিংবু খূৎশেমগী পাম্বৈনা মতৌ তমখি। মসিদা মখোয়না জীব অমনা মীতম্লকপগী ঙাল্লিনৈ তাঙ্কক্তা ফংবা ষ্টেম সেল মখল অহুমখক শীজিন্নখি। জীনশিংগী অখন্নবা সেট অমগী এক্সপ্রেসনবু ইন্দ্যুস তৌরগা সেলশিংদুনা চাওখৎলকপদা চুনগদবা অখন্নবা ইনভাইরনমেন্ট অমা শেমগৎলবা মতুংদা থিজিন লূপ অসিনা ষ্টেম সেলশিংদু অমগা অমগা কম্যুনিকেট তৌনবা ঙমহল্লম্মী।



মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা (মথক) অমসুং খূৎশেমগী পাম্বৈনা (মখা) থোপ অমসুং থম্মোয় শেমগৎলকপবু চাংদম্নরিবা মাউস এমব্রিওশিং

ষ্টেম সেলশিংদুনা মরোমদোম তপ্না তপ্না দিভেলপ তৌরক্তুনা এমব্রিওশিংগী মচিঞ্জাক ফংফম ওইরিবা য়োল্ক সেক অদুদা খূৎশেমগী এমব্রিওশিংদুনা খপ্পা ঙম্বা থম্মোয় শেমগৎলক্ত্রিবা অমসুং থোপ শেমগৎলক্লবগী মচাকশিং ফংদ্রিবা ফাওবা চাওখৎলকপগী তাঙ্ককশিং লাক্লম্মী। মসি হৌজিক ফাওবদা ষ্টেম সেলগী মোদেলদা ফংবা ঙম্বা খ্বাইদগী খুমাঙ চাওশিল্লবা এমব্রিওগী তাঙ্কক অমা ওইরি হায়না থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি।



Magdalena Zernicka-Goetz

থিজিন লূপ অসিগী Zernicka-Goetz না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মখোয়না থিজিনবদগী ফংলক্লিবা অসিনা এক্সপরিমেন্টল মোদেল অমদা ন্যুরোদিভেলপমেন্টকী মেকানিজমশিংগী মরমদা নৈনবগী অনৌবা ওইথোকপা য়াবশিংবু পীরে। থিজিনবগী থবক অসিদা নর্ভস সিষ্টম শেমগৎলক্লবগী প্রিকর্সর ওইরিবা ন্যুরল ট্যুব শেমগৎলকপা অমসুং থোপ অমসুং মীৎনা চাওখৎলকপদা মথৌ তারিবা জীন অমবু শীজিন্নরি। জীন অসি য়াওদ্রবদি খূৎশেমগী এমব্রিওশিংনা ম্যুটেসন অসিবু পুরিবা শা অমদা থেংনরিবা থোপ শেমগৎলকপগী অশোয়বশিংদুমক থেংনৈ। মরম অসিনা থোপ শেমগৎলকপদা মতৌ করম্না মতেং পাংবগে হায়না খঙবা ঙমদ্রিবা জীন কয়াদসু অসিগুম্বা থৌরাংসি পায়খৎপা য়াগনি হায়রি।

মীওইবগী এমব্রিও অমবু মপূং ফানা শেমগৎলক্লবগীদমক এমব্রিও ওইরক্কদৌরিবা টিস্যুশিং অমসুং এমব্রিও অদুগা মমাদুগা শম্ন হনগদৌরিবা টিস্যুশিংগী মরক্তা 'পাউ ফাওনবা' হায়বসি তঙাইফদবনি। ফর্টিলাইজেসন তৌখ্রবা মতুং অহানবা চয়োলদা ষ্টেম সেলশিংগী মখল অহুমখক শেমগৎলকই : অমনা হকচাংগী টিস্যুশিং ওইরকই অদুগা অতোপ্পা অনীদুনা এমব্রিওনা চাওখৎলকপদা মতেং পাংলকই। অকোনবগী অনীসিগী মনুংদগী এক্সট্রা এমব্রিওনিক ষ্টেম সেলশিং হায়না খঙনরিবা অসিনা প্লাসেন্টা ওইরকই, মসিনা ফিটস অদুগা মমাগা শম্নহল্লি অদুগা ওক্সিজেন অমসুং ন্যুট্রিএন্টশিং ফংবা ঙমহল্লি। অতোপ্পা অদুনা য়োল্ক সেক ওইরকই, মসিদা এমব্রিওদুনা চাওখৎলকই অমসুং মসিদগী মখা তানা চাওখৎলকপদা ন্যুট্রিএন্টশিং ফংই।

মীরোনবগী থৌওং অসিদা অসিগুম্বা ঙল্লিনৈগী তাঙ্কক অসি য়াম্নমক মরু ওই। এমব্রিও অদুনা মতৌ করম্না চাওখৎলক্কদবগে হায়বগী মতাংদা ষ্টেম সেল মখল অহুমসিনা মেকানিকল অমসুং কেমিকল সিগ্নেলশিং থাদোক-থাজিন তৌনৈ। থবক অসিনা মায় পাক্ত্রবদি মীরোনবা অদুসু মায় পাক্তবা হায়বদু ওই। হীরম অসিগী মতাংদা থিজিন লূপ অসিনা হৌখিবা চহী তরারোমসি থিজিন্দুনা লাকখি। মসিদগী ফংলকখিবা লৌশিং-গ্যানশিংদু শীজিন্নদুনা খূৎশেমগী এমব্রিও অসি শেমগৎলকপা ঙমখিবনি হায়রি।

খূৎশেমগী এমব্রিও অসিবু শেমগৎলকপা ঙমহন্নবগীদমক থিজিন লূপ অসিনা টিস্যু মখল অহুম্মক য়াওরবা ষ্টেম সেলশিংদু পূন্না কলচর তৌরম্মী অদুগা চাং মান্ননা চাওখৎহল্লম্মী। চাওখৎলকপদা দরকার ওইরিবা ইনভাইরনমেন্ট অমসুং সিগ্নেল পীথোক-পীশিন তৌহল্লম্মী অমসুং এমব্রিও অমা ওইনা শেমগৎলকপা ঙম্লম্মী। অসুম্না উচিদুগী খপ্লিবা থম্মোয় অমসুং থোপ শেমগৎলকপগী তাঙ্ককশিংদু ফংবা ঙম্লম্মী।

হৌজিক্কী ওইনদি এমব্রিও অসি উচিগী মোদেলদা শেমগৎলকপনি। মখা তারকপদা থিজিন লূপ অসিনা মীওইবা অমগী গর্ভনুংদা থোক্লিবা থৌওংশিং অদুমক খঙদোকপা ঙম্নবগীদমক মীওইবগী এমব্রিওনা চাওখৎলকপগা য়াম্না মান্নবা মোদেল অমা শেমগৎনবা হোৎনরি। করিগুম্বা অসিগুম্বা মেথদশিং অসিনা হ্যুমেন ষ্টেম সেলশিংদসু মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্লবদি ট্রান্সপ্লান্টকীদমক কয়াৎশিংবু খৌরাংনা ঙাইরিবা অনাবশিংদা খূৎশেমগী কয়াৎশিং শেমগৎনবগী থৌরাংদা মায় পাকপা হায়বদু ওইরগনি হায়না Zernicka-Goetz না হায়খি। ●

# 'হী-য়াই পুরবা কবুই সলাং মাইবা'

## লাইরিক্তা মীৎয়েং তামিন্নবা

**- ডি এল কবুই -**

কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা কবুই সলাং মাইবা নীংশিং কুমওন থৌরম চহী খুদিংগী পোইনুগী ১৫নি পানবা পুর্ণিমা নুমিত্তা পাঙথোকই। কুমজা ২০২২গী ওইনা দিসেম্বর ৮, পোইনুগী ১৫নি পানবা পুর্ণিমা শগোলশেন নুমিৎতা মণিপুর হিন্দি পরিষদ হোল, ওল্ড এসেমব্লি রোদ, ইম্ফালদা পাঙথোকখি। নুমিৎতুদা 'হী-য়াই পুবা কবুই সলাং মাইবা' হায়বগী হীরমদা মীৎয়েং থমদুনা ডি এল কবুইনা পেপর অমা পুথোক্তুনা ৱা ঙাঙখি। হায়রিবা পেপর অদু লাইরিক মচা অমা ওইনা মীয়ামদা খুদোল তমখি। মণিপুরীগী পাউচেশিংদসু ফোঙখি। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কাইদনবা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লেঙবীরকপশিংদা খুদোল তমখিবা হী-য়াই পুরবা কবুই সলাং মাইবা হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিবু মীৎয়েং তাবীদুনা মত ফোঙদোকপীরক্লবা পাউচেগী খূত্থাংদা হায়জখি। দিসেম্বর ১০, ২০২২ নুমিৎকী 'হুইয়েন লানপাউ' পাউচেদা ফোঙবীরকই। লৈবাক মীয়ামগী মীৎ, নাকোং ওইগদ্রা খঞ্জদুনা অমদি অশোয়-অঙাম, অরান-অহুই য়াওরবসু তাকপীরক্লবা নোল্লুকচবনি।

অদুনা মরম ওইদুনা, শক্লাইরবা ওজাশিং খরগী মত, ৱাখল্লোন ফোঙদোকপীরকই। মদুগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎচরি। ওজাশিংগী ৱাফম অদু মখাদা থমজরি, মদুদি :- (১) শ্রী থোকচোম শিবদত্ত, এমকোম, এম সী এস (রিটাইয়র্দ), বিবেকানন্দ এৱার্দি, শগোলবন্দ মৈনো লৈরক, ইম্ফালনা, দিসেম্বর ১৫, ২০২২ নুমিত্তা চিঠি অমা ইরকই। ইকায়খুম্নজরিবা ওজা, পাবদা কান্নরবা লাইরিক, "হী-য়াই পুরবা কবুই সলাং মাইবা' ইবীবগীদমক থাগৎচরি। লাইরিকসিগা মরী লৈনবা ৱাফম অমত্তং খঙজনীংদুনা হংজরি। লাইরিকসিগী ২২শুবা লমায়গী ১৪শুবা পরেংদা "মপা-মচা ফমথরে" হায়না ইরি। এন তোম্বীনা ইবা খম্বা এন্দ থোইবী, ডি এনস্কেলদ হাইট ওফ লভ (১৯৭৬) লাইরিক্কী লমায় ৩৭তা কবুই সলাং মাইবা অমসুং মহাক্কী নুপী মচা অমত্তা পোক্তে হায়না ইরি। করম্না মপা-মচা হায়রিবনো? চুম্নগী কবুই সলাং মাইবগী লোয়নবরা? থাগৎচরি অমুক্কসু হন্না। অদোমগী নুংশিজরবা মরুপ, থোকচোম শিবদত্ত।

ডি এল কবুই :- খুরুমজরি ওজাবু! ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইজৈ। কবুই সলাং মাইবনা পোকপা মচা নত্তে। মাগা লোয়নরকপা মচা মনাও অচানবনি। মাগী মশু থোকপা অচানবনি। ফুরুপ খেন্নবগী মতুংইন্না শীজিন্নবা লোন্দা-পুদা, প্রমান-পান্থে খেন্নৈ। কবুই লোন্দা লৈবদু মণিপুরী লোলদা ফোঙদোকপদা মপূং ফাবা মরেক-মহাউ ফংবা ঙমদবা য়াওই। মসি ননাই ঐগী অশোনবনি।

কবুই সলাং মাইবগী মচা : কবুই সলাং মাইবদি মাগী ষাদোং (কগাই) কৈ অমোম তোংদুনা লাই পূন্নমক্কী নিংথৌ লাইনিংথৌ (লাগঙ) উনবা চৎপা ঙম্বা মীনি হায়না কবুইশিংনা ৱারীনৈ। নোংমা কবুই সলাং মাইবনা লাগঙ উনরুরগা হল্লকপদা মাগী নুপীদা অসুম্না পাউ তমখি। ঐখোয়গী ইমুংদা তোঙানবা অহেনবা শক্তি পীরগনি অদুনা লাগঙ মচাগী মমৌ ওইনবা ইচানুপী অসি পীবা হায়না য়াথোক্লম্মে। ঙসিগা থানা নুমিৎ ৫নি শুবা নুমিত্তা লৌবা লাক্লগনি। ৱাফম অদু তাবদা কবুই সলাং মাইবগী নুপীনা য়াম্না শাওনা হায়খি। ঐখোয়গী ইচানুপী অমখক্তা লৈজবা অসিবু মীরমলেন্দা লৈহন্দনা লাইরমলেন্দা থাজখিবা হায়বসি ঐ য়াবা ঙম্মোই। হৌজিকমক পীবা ঙম্মোই হায়না হায়দোকলুচো হায়খি। মদুদা কবুই সলাং মাইবনা ঐদি পীগনি হায়না হায়দোকখ্রবনিনা অমুক হন্না পীররোই হায়রুবা ঙম্লরোই। চুম্মী, নঙসু মমানি নঙগীসু হক লৈ। নঙনা নচানুপীদু পীনিংদ্রবদি মঙানি শুবা নুমিৎ অদুগী নুমিদাং অহিং চূপ্পা তূমদনা নচানুপীদু পমদুনা পীরোই, পীরোই হায়দুনা নোংঙানবা ফাওবা লেপ্তুনা হায়দুনা লৈয়ু। নোংবু ঙানখ্রবদি নচানুপীদু নঙনা পীদবা ঙম্লগনি হায়খি। মঙানি শুবা নুমিৎ অদু সলাং মাইবীনা মচানুপীদু পমদুনা পীরোই, পীরোই হায়দুনা অহিং চূপ্পা মিৎশেং খাংদুনা লৈবা মতমদা নোংয়াই খজিক্তং হেল্লকপা মতমদা মীৎকুপ অমতং তূমথরুবদা তো তো! য়েংঙো নচানুপী পুরেকো হায়না মচানুপীদো উৎলম্লগা পুরগা চৎখ্রে। মচানুপীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু পমদুনা লৈহৌরে। করিগুম্বা য়ানদুনা পীরম্বা তারবদি মচানুপী অদু চঙনা লাগঙ মচাগী মমৌ ওইনা চৎলমগদবনি। অদুগা, লেঙদবা অহেনবা শক্তি অদুসু ফংলমগদবনি হায়না কবুইশিংনা ৱারীনৈ। হায়রিবা নুপী অসিখক নত্তনা কবুই সলাং মাইবা মচানুপী অমসুং মচানুপা পোকখিদে। হায়রিবা ৱারী অসিনা এন তোম্বীগী লাইরিক অদু লাল্লি হায়জবা নত্তে। ওজা তোম্বীনা থম্বীরম্বা অচৌবা দান, খুদোল অদু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

(২) শ্রী ৱারেপম রাজেশ্বর, জেনরেল সেক্রেটরি, উশক খঙদবী সেবা সমিটি, ওইনামনা, জন্যুৱারী ৪, ২০২৩ নুমিৎকী অয়ূক্তা ফোন তৌরকই। লাইরিক অসিগী ২৩শুবা লমায়গী ৬শুবা পরেংদা ইরিবা কবুই খুলগী 'বম্বু' গী মরমদা হংলকই।

ডি এল কবুই :- কবুই খুলগী ওইনা রাঙ (পন্থোং) লৈগনি। বম্বু লৈগনি। পন্থোংদি অনী লৈগনি। অদুবু খুলগী 'বম্বু' দি মঙা তরুক লৈবা য়াই, হেন্না লৈবসু য়াই। লম অদুবু কোল্লিবা লাইশিংগী মমিং তোঙান তোঙান্না লৈগনি, মখোয়শিং অদুবু কবুইনা বম্বু হায়না খঙনৈ। কবুইগী 'গান-ঙাই' দা 'রাঙ পৎমৈ' রাঙ (পন্থোং) দা লম থোকপা নুমিত্তা লাই পূন্নমক্কী নিংথৌ লাইনিংথৌ (লাগঙ) য়াওনা বম্বুশিং য়াওনা পন্থোংদা ঈরাৎ পুজা পাঙথোক্কনি। কবুইগী বম্বুশিং অসি মৈতৈনা লাৎলিবা লাই কয়াসু য়াওই। খুদম ওইনা হিয়াংথাং কবুই খুল অসি হিয়াংথাং লাইরেম্বীবু বম্বু ওইনা লাৎলমগনি। কোন্থৌজম কবুই খুলনা কোন্থৌজম লাইরেম্বীবু বম্বু ওইনা লাৎলমগনি। ওজা রাজেশ্বরবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

(৩) গাইত্রি চনু সরাংথেমনা, জন্যুৱারী ৪, ২০২৩ নুমিৎকী সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী পাউচেদা "ইরমদমগী মাইবশিংগী মরক্তা কবুই মাইবশিং' হায়না মিংথোনবা ৱারেং অমা থেংনজে। ৱারেং অদুদা "হী-য়াই পুরবা সলাং মাইবা" লাইরিক্কী ৱাফমসু পল্লি। অদুগা, 'তেংলাম' কৌবা নুপা অমগী ৱারীসু পল্লি।

ডি এল কবুই ;- কবুইগী মৈহৌরোলদগী চৎথরকপা মাইবরোলগী ৱারী লৈজে। 'তেংলাম' গী ৱারীসু লৈ। অনীসি মান্নদে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।